ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯦꯇꯔꯗꯦ, ꯖꯨꯟ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯷꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুন ০৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৭১শুবা মশীং

# মীপুম খুদিংমক খুৎশম্নবগী তঙাইফদবা

## মীচম ওইরবসু, ভি আই পি ওইরবসু কাঙলোন ঙাকফম থোকই

লোগী মীৎয়েংদা মীপুম খুদিংমক চপ মান্নে হায়নবা লৈ। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক খুদিংমক্তা মীচমগী লো অমা অমসুং ভি আই পিগীনা তোখাইবা লো অমা শেন্বা থেংনদে। থাইনা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম নত্রগা দিক্টেটরনা লৈঙাকপা লৈবাকশিংদা মীচম-মীয়াম্বু নমথদুনা থল্লগা লৈঙাক পায়রিবশিংনা তৌনিং-তৌনিংবা তৌবগী থৌওং অদু ঙসিগী খুন্নাইদা চন্নফম লৈত্রে। খ্বাইদগী ফবা লৈবাক কাঙলোননি হায়না লৌনরকপা মরম্না মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা দিমোক্রেসি চৎনরকপনি হায়বা য়াই। মীচম-মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লৈঙাক শেল্লগা মীয়ামগীদমক লৈঙাকপগী থৌওং চত্থবা দিমোক্রেসিদা মীপুম খুদিংমক্কী রাইট চপ মান্নে। লো শেম্বদা য়াওরিবা মীওই মশামকসু লো ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই। মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি হায়না লৌনরিবা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অঙম-অথৌ খরনা ঙম্মী হায়বগী মওংদা লৈঙাক্কী চৎন-কাংলোন থৌশাদবা অমসুং ঙকচাউ থেকপগী থৌওং মানবা থৌদোক হেক-হেক থোরক্লিবসি লাইবক থীবনি। ষ্টেট অসিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এম এল এ অমনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্না শেন্বা কাঙলোন ঙাকখিদ্রে হায়নরক্লিবসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা কোলকতাদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা তোংলকখিবা এম এল এ অমনা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবমখৈ মশাগী এস্কোর্টকা লোয়ননা ওফিসল ক্বাটরদা হনখ্রে হায়রিবসিনা চুম্লম্বা তারগদি খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপগুম মণিপুরদসু নুমিৎ খুদিংগী অনাবা মীগী মশিং হেনগৎলক্লি। অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুং ইন্না মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা খুৎশম্নবা নত্রগদি লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিনবদা ৱানা থোক্কনি হায়রি। মীওই অমখক্না কাঙলোন ঙাক্লক্তবা মতমদা মীপুম খুদিংমক পুন্না অৱাবা তামিন্নগনি হায়নসু অখঙ-অহৈশিংনা মোত পীরি। মতম অমদা গ্রীন জোন ওইরম্বা মণিপুরদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস মশিং কা হেন্না য়ামখৎলক্লে। লৈঙাক্কী থৌশিলদা অশোয়বা লৈবদগী মণিপুরদা কেস মশিং হেনগৎলকপনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী মরাল শীনরক্লি।

অমরোমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌরি। ষ্টেট-ষ্টেটকী ওইবা চান্নগদবা মওংদা কাঙলোন শেমজদুনা লোকদাউন তৌরবসু কোভিদ-১৯গী কেস মশিং অমদি মী শিবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। ফিভম অসিদা উট্টরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ত্রিবেন্দ্র সিংহ রাৱটনা ষ্টেট অদুগী কনাগুম্বা মীওই অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদবা থোক্লবদি লুপা লাখ ১ এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মীপুম খুদিংমক ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপ্পীয়ু হায়না অপিল তৌরদুনা রাৱটনা হায়খি, লৈঙাক্কী ওফিসলবু ওইরবসু নত্রগা মীচম-মীয়াম্বু ওইরবসু কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা শেল্লিবা কাঙলোন ঙাকপা মথৌ তাই। কাঙলোন চুম্না ক্বারন্টিন সেন্টর হাংহনবগা লোয়ননা হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎ-অপা পুম্নমক য়েংশিন্নবা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা খঙহনখি। বিহারগী ওইনসু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৪ এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংগীদমক অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা নিতিস কুমারনা হায়খি, কোভিদ-১৯না নাবদগী লৈখিদবা মীওই খুদিংমক্কী ইমুং-মনুংদা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদগী লুপা লাখ ৪ পীনবা শেম শারে। পঞ্জাবকী ওইনদি মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লৈখিদবা ষ্টেটকী ইমপ্লোয়ী খুদিংমক্তা লুপা লাখ ৫০ এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি হায়রি। মতৌ অসুম্না ষ্টেট অয়াম্বদা মরী লৈনবা লৈঙাক অমসুং লৈঙাক্লোয়শিংনা মশা-মশাগী মরমদমদা লৈরিবা মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎনরি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মীওই কাঙলুপ খুদিংমক্তা চৈথেং পীরকপা তারবসু লৈঙাক্লোই খরনা মীচম-মীয়ামগী য়াইফনবা ৱাখল মচেৎ অমফাওবা খন্দবা মানবগী থৌওং চত্থরক্লিবসি লাইবক থীবনি। লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইবা তারবদি মীচম-মীয়ামদা তৌহন্নিংবা থবক থৌরম পুম্নমক লুচিংবা মশামক্না হান্না তৌরগা মীয়ামদা উহনবা মথৌ তাই। মদুতদা মীয়াম্নসু লুচিংবা অদুগী মতৌ তম্নরক্কদবনি। হৌজিকমক্কী ওইনা ভেক্সিন পুথোক্ত্রিবা অমসুং লায়েংনবগী পাম্বৈ লৈত্রিবা মরম্না কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা কনামত্তনা তরাইনা লৌফম থোক্তে।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### বেঙ্গলোর, দিল্লি, চেন্নাইদা অমুক হন্নীংলে

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ঙসিদি মালেমগী ওইনা অকিবগী মশক ওইরবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মপান্দা লৈরুবা ইরমদম অসিগী ইরৈচাশিংসু ময়ূম লমদমদা হল্লকপা লেপত্রি, লৈকায়-লৈকায়শিংদসু থৌদোক মচা-মচা অদুমক মায়োক্লরি। মরমদমদা হল্লক্লগা খরা ফগদ্রা খন্দুনা মপাল লমদগী হল্লক্লিবা ইচন-ইচে, ইচিন-ইনাওশিং লমদমসিদদি লাইবক থীরে হায়না শোন্নবসু য়াওরে। মরমদমদা হল্লকপশিংবু লৈকায়-লৈকায়গী লাইরিক-লাইশু হৈরবশিংনা মহিক ওইনা উবীরে হায়না পেন্দবা ৱাকৎ ময়াম অমা থোরক্লে। অরুবা তানফম অমা লাকপা অমসুং অৱাবা মায়োক্লরকপা মতমদা মীপুম খুদিংমক মশা মশাগী পোক্লফম লমদমদা হন্নিংবা হায়বসি মীওইবগী হৌনাশানি। মপান্দগী হল্লকপা ওইরগসু কনাগুম্বা মীওই অমত্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী চৈথেং ফংনিংদে হায়বা মীপুম খুদিংক্না খঙনরবা ৱাফমনি। লমশাং লাকপদা খুদোংথিবা মায়োক্লবদগী লমখাংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা মীওইশিংদা মীয়াম্না অরানবা মীৎয়েং য়েংবীবা চুমদে।

কম্ম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টর (সী ক্যু সী) শিংদা লৈরম্বদগী মথৌ তাবা টেষ্টনচিংবা লৌদুনা নেগেটিভ ওইরে হায়দুনা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা সার্টিফিকেট পীরগা হোম ক্বারন্টিন তৌরুরো হায়না থারকপশিংদসু ময়ূম য়ৌখ্রগা লৈকায়-লৈকায়গী মীশিংনা অমুক হন্থনা য়েংবীবা ময়াম অমা য়াওরে অমদি চঙলকপা য়ারোই হায়বীবা ফাওবা য়াওদুনা ৱাখল নুংঙাইহন্দবা থৌদোকশিং থোকপা হৌরক্লে। মসিনা অচৌবা প্রোব্লেম অমা থোক্লকপসু য়াই। মতম চানা লৈঙাক্না য়েংশিলহৌবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি খঞ্জে। হৌজিক্তি কংলৈপাক্তা চঙজফম লৈরমদ্রে বেঙ্গলোরদা, দিল্লিদা, চেন্নাইদা অমুক হন্নীংলে হায়বা মীওইগী মশীং য়াম্লক্তৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নবসু মথৌ তারি।

*অদোমগী - নিংথৌজম রোবি*
*খাঙবোক সোরোক ৱাংমা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট*

# নুপানা মবাইদা ইতৈ কৌবসু য়ারদ্রা?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

"হো ইবাই, হো ইবাই" হায়না নুপী অমনা থোঙ্গালদা লেপ্পগা কৌহৌবা অমা নহান থেংনরকই। ময়েক নাইবা শেৎলি। রানি ফি অমা ইল্লি। সনা অচৌবা অমা চিল্লি/য়ান্থে। পাক্ল-চাউরবা সনাগী লীক অমা শী। ফজরবা খুজি, খুদোপসু অমত্তা ৱাৎতনা শী। 'হো ইবাই', "ইবাই ইচেদু অমুক্তা থোরকউ হায়বীয়ু, ঐ খোঙসে লৈথেক্তুনা চঙলকপা য়াদ্রে"। য়েংথরুবদা খূনীং ৱাংবী খোঙউপ তোংলম্মী।

করিম হায়রুদে। পূক্নিংদা অমদি খল্লকই হৌজিক্কান অঙাংশিং অসিবো জেন্দর নাইরক্ত্রেনে তৌরিসে। মহৌশা নরায়নগী, কলাচাঁন্দ শাস্ত্রিগী ব্যাকরন পাবদা য়াওরকপা ষ্ট্রিলিঙ্গ, পুলিঙ্গ হায়বদু চুম্না শীজিন্নবা ঙম্নরক্ত্র মাল্লে। ইংলিস গ্রাম্মারগী মেস্ক্যুলিন জেন্দর, ফেমিনিন জেন্দর হায়বদু লান্না শীজিন্নরবদি মার্ক ৱাৎনা ফংলকই। পরিক্ষা ফেল ওইনরিবনি। হৌজিক্তি মেসক্যুলিন অমদি ফেমিনিন জেন্দর অসি করিম নাচুংনদ্রে মতমগী নহারোলশিংনা, ইশাগী হকচাংগী কয়াৎ খেন্নবা, মথৌ-মঙম খরা খেন্নবা নত্তনা নুপী-নুপা চপ মান্নবগী ফীভম অমা লাক্লবা উই। নুপানা করি শেৎপা, নুপীনা করি শেৎপা, নুপানা করি ঙাঙবা, নুপীনা করি ঙাঙবা, নুপানা করি চাবা, নুপীনা করি চাবা চপ মান্নরকপদৌনা তৌরে। পংকুইমক কুইখিদ্রিবা মমা শীজনা লৈশারবা মতুংদুফাওবদা নুপীনা য়েন চাবা ইকায়নবা উহৌখি। চাবদা ঙানু, য়েন, ওক, ষণ, হূই নুপাদনা ফোঙনা চানরম্মী, হৌজিক্তি ময়াম পূন্না চাবা য়ারবা ফরবা চিঞ্জাক ওইনরক্লে। হৌজিক-হৌজিক চহী হুম্ফু-হুম্ফুতরা শুবী ইমাশিংদা য়েন, ঙানু পল্লুবদা থজিন নম্মগা খাঙজবী কয়া লৈরি। অমরোমদা চিকন অঙৌবা য়োনফমদা হৌজিক মতমগী নুপী-নুপা পুল্লপ-পুল্লপ ইমুং-মনুং, পাখঙ-লৈশাবী ময়াম য়েন অঙৌবা চাবা লোইনা উনরে। লমদমসিগী মতম অমগী য়েৎকী লমদাংশিংনতা চারম্বা চিঞ্জাকশিং ওইগী লমদাংশিংদসু প্লেট পানশিন্নরক্লে। চাবগী মতাংসিদি মাগী-মাগী অপাম্বনি, মমোন্নবু য়ারবদি। মতম-মতমগী অহোংবনা মখৌজেং মেৎ মেৎতুনা পুবনি মীওইবদি।

মতম-মতমগী অহোংবনা মখৌজেং মেৎ মেৎতুনা হুমদুনা পুই হায়দুনসু তাবদদি নুপীনা নুপাদা ইবাই কৌবা অসিমদি হেক্তা তশেংনা নামুংজখ্রে। ফিল্ম ষ্টার বলাদৌনা হেক মশক ফজরবী কংলৈ চনু অমনা হো ইবাই, হো ইবাই হায়না মতৈ অদুদা কৌথোরকপদদি পঞ্চম শুরমক ওইরবসু থম্মোয় কায়রপ থোকই। কৈসু লৈতবা ৱানি ইবাই কৌবৈ মহুত্তা ইতৈ হায়না কৌবদা। ইতৈ হায়বসি হায়জনীংখিদ্রবো। য়েংসি, অমা অনীতা নত্তে ঐখোয় লৈকায় অসিদদি নুপীনা নুপাদা ইবাই কৌবা অসি তরামরি চপ চানা শুরে। ফাগি-ফাগিদগী মণিপুর পূম্বা লোক লাইহৌ শন্দোকপদৌনা তৌরক্লবদি লোনগৈদগী ইতৈ হায়বা ৱাহৈ অসি শর্বনাশ শানা মূৎখিবা য়াই। ইতৈ মূৎখ্রবদি ইচেনা হিংলুবগী করি কান্নরি? ইচেগী নুপাবু ইতৈ হায়বনি, নুপানা কৌরগনা ইবাই হায়বনি। নুপানা মবাইদা ইতৈ কৌবদা অমুক তারিব্রা? কনাগুম্বীশিংনা কৌনরি মবুং-মৌপ্বাশিং থোকপদা ইয়াম্বা হায়না। অহানবদা ফাগি ওইরবোই খল্লম্মী মমৈদদি ফাগি ওইরমদ্রে, অশেংবা ওইনা কৌবা ওইরম্মে। মনেমদা ইমা, মকুদা পাবা, পাবুং ঐমকসুনি, শ্বাইদা লৈরে ঐগীসু অশোয়বা অমা। ইনেম্বোক চাক চাবীরব্রা? ইকুবোক চেপ্পীরব্রা, চাইথবীরব্রা? ইনেম্বোক-ইকুবোক অসি কৌবা নুংঙাইনবা খরা তেনশিল্লবদি করি কায়? ইনেম লূক হাবীরব্রা? ইকু শোরাৎ লেঙবীরুব্রা? অসুম্না তেল্লগদি খজিক কৌবদি নুংঙাই। অউবনা, অতাবনা নোক্কদৌদি মাল্লে, ইমা, বাজি হায়না কৌবগী মহুৎ ইনেম, ইকু হায়না কৌজরুবদা। লুরিবসে সোসাইটি মপূম অসিমকসুনি। ক্যামগৈগী অঙ্কগী ওজা আর কে ওপেন্দ্রোদি মিংগৌ থাগৌ ওন্নবগী মতাং অসি মখোয়দৌ প্রোক প্রোক হেক্তা চাকচৈ। ইঙ্খোলনুংগী অঙাংশিংনা ইবাই কৌগদবদা তামো হেক কৌবা, ইতৈদনা ইবাই হেক কৌবা, ইবুং কৌগদবদা ইয়াম্বা হেক কৌবগুম্বা অসিদা য়াম্না পেল্লক্ত্রবজাৎনি। মসিদা মানা মিঙ্গৌ হেক চুম্না-চুম্না কৌরবদি নখোয় লুপা তরা-তরা পীনি হায়দনা লাউথোকই হায়রি। হেক লৈশাবী মচাদুনা ইনম্মা কৌগদবদা ইচে কৌরম্বদু ইনম্মা হায়না হোংদোক্লগা কৌবদা লুপা তরা অদুম ফংলে। মিঙ্গৌ থাগৌ তশেংনা কৌবা হৈনরক্ত্রিসে, ইমুং-মনুংদা অহল-লমন কয়া ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লদুনা শিনখিদুনা অহল লৈতবনসু মরম ওইবা য়াইনা। স্কুলনা ঙাক তম্বীবা য়ারোই, মিঙ্গৌগী মতাং অসিমদি। ●

---

# মীকোক থিবা হৈতবগী চৈনা

**নবকুমার ওইনা**

অইবা রেকোর্দশিং, অইবা পুৱারীশিং, অইবা লাইরিক কয়াদা অরানবা ময়াম য়াওরি। চহী লিশীং অনী-অহুম ফারবা লাইনীংশিংদসু অরানবা কয়া য়াওরক্লি। চহী লিশীং অনী চুমদুনা লাক্লবনি হায়না থাজবদুগা চহী লিশীং অনী/অহুম লান্দুনা লাক্লবদু চুমথোকপা ঙম্বা অদুগা করম্বনা অফবা ওইগদৌরিবনো? চহী লিশীং লিশীং নৈনদুনা লাক্লবা লাইনীংশিং পুল্লগা লাইনীং অনৌবা অমা শেমগৎপা ঙমদ্রবদি কয়াদা শোল্লবনো। তুং ইন্দুনতা লৈগে হায়বনি, চোংশিন-চোংশিল্লগা থাজরুবনি। মীওই অমনা চহী লিশীং পুন্সিবা নত্তে, খাংতপ্তা য়াওশিল্লগা অচুম্বা শাবসু য়াওরিবনি।

চহী ২০গী মমাঙদা মীকোক থিবদা লান্না ইশিনবা ময়াম য়াওখ্রবনি। অদুম্না ইশিনবদু হৈনবী ওইখ্রবনি। চহী লিশীং অনী অচুম্বা তৌবনি হায়না থাজনরগা চহী ২০গী মমাঙদা কদায়দগী লাল্লুগদৌরি। মী ওইবগী লৌজনাম, কল্লকপা, লম করাম্বা, শেন্দোং পাম্বা, লান তৌনবা কয়াসি থাদোকপা ঙম্নদ্রিবনি। মদুগী হৈনবীদুমক্না মীকোক থিবদা লাল্লুবদুমক্কীনি, লৈঙাক মনুংগী লাল্লোং অমা ওইরকপনি। তুংদা মদুমক্না করিসু হেন্না কান্নবা পুরক্কদৌবদি লৈতে। মী মরক্তা চয়েৎনবা হেনগৎনবদুনা মীওইবা খুন্নাইগী খুমাঙ চাওখৎপদি থিন্থহনগনি। লাই নীংবা শারগা অচুম্বা খঙবা ঙম্বা হৌনদে, লাইনীংদু লান্দা পংশী শীজিন্নবা য়াওরল্লবনি। লান থোক্লকপা য়ারিবদি পংহৌরবশিংনা মিৎ-নাকোং শিংহৌদবদুনি হায়গনি। ফুরুপকী ওইনা পংহৌরগনা শিংকৎলকপা তাঙ্কক খুদিং লালহৌ অমমম থোক্লক্কনি। লালহৌ খুদিং রিভোল্যুসন ওইগনি হায়বদি লৈতে, অরানবা খরা চুমথোকপনা রিভোল্যুসন অমা ওইবা ঙমদবসু য়াই। পংবদগী লান থোকই হায়গেরা, ৱাথোকশানি হায়বা পাম্বরা, পংলাং-লাংলগা অপংবা তাবসু য়াওরিবনি, পংহৌরবশিংনা অশিংবা শারগা অনাবদু রিকোভরি তৌবা ঙমগদৌবসু লৈতে, পংঙাঙদা ঙাঙনরগা থবক ওইরক্কদৌবসু লৈতে। থাজদে, থাজনদে, ময়ামদি থাজনরোই। ঙাঙনরিবা লোনসিফাওবা লাল্লিবদা।

চীং-তম য়েৎনবা নত্তে, মীওই খরা য়েৎনবনি। হোৎনবা ৱাৎপা, খন্থনবা ৱাৎপা ওইরক্লবনি। মাঙজরিবনা পূম্নমক্কীনি। লাল্লিবদি মী মশীংদু নত্তে। থাজরিবদুনি। খঙগদৌবসু পংই ইশিল্লিবা মী মশীংদু নত্তে, মালেম অসিগী মীয়াম মমাঙদা ৱা-ৱা লাউনরগা ইকায়বা ফাওনদ্রিবরা হায়বদুনি। মী খরতনা ইকায়গদৌবসু নত্তে, ঐখোয় পূম্নমকনি। ইকায়বা খঙদ্রবশিংগীদি হীদাক লৈতে হায়বনি। ঐখোয় মদুগী থাক্তা লৈবা ওইগদৌরিবনি। মদু খঙবনা হেন্না মরু ওইরি।

মী মশীং লাল্লগা প্লান্নিং চুম্বা হৌনদে। চাকলুক কোন্নদবা নৎত্রগা পংলেম লেম্বা মশানা তাবনি। নুমিৎ চূপ্পগী অপঙবা শাদুনতা লৈবা, ওইজবতা থিদুনা লৈবা তারবদি ইচা-ইশু লাইরিক তমহন্দ্রবসু য়ারগনি। তমহল্লুবগী কান্নবা লৈররোই। লাইরিক তম্বা মশীংগা লাইরিক তমদবা মশীংগা কয়া খেন্নবদগী মীকোক থিবা লাল্লিবনো? লাইরিক তমদবা মীদা মীকোক মশীং থিবা য়াহল্লিবা করিগীনো, করিগী লাল্লিবনো, লানগে হায়না লানবা ওইরগনা করিগী লাইশঙদা চৎপা য়াওরিবনো? লাল্লবা মী মশীং খঙবদগীদি লাল্লিবদু করিগীনো খঙবনা হেন্না তঙাইফদবা ওইরকই। মদুমক ফোংনা মীয়াম খঙনা নৈনফম থোকই। চক্রি ফিবাইদা মুক্না শান্নরগা কোট লিৎপনা য়াগদৌবা লৈতে। কৈদৌ লৈহৌবগে?

লাল্লিবসি কোলোম পায়রিবা মীদুখক নত্তে, উহৌদ্রিবা মীশিংগীসু অচৌবা মরাল লৈরিবনি। হৌগৎপদি ঙমদনা ফমঙাঙ ঙাঙবনা থবক তৌরিবনি হায়বা য়াবা হৌনদে। কুমজা ১৯৯৯দগী পাউচেদা লাউনরম্বা ৱাবু তাহৌদবা শারগা হৌজিক য়ানি-য়ারোই হায়বসিবু কনানা তাবা পামগদৌরিবনো? মশানা য়ারুবদগী লমজা পুবনি হায়বা লৈরিবনি। না তাথীরিবা, মিৎ পাঙদ্রিবসি খুন্নাইসি শাগৎপদা য়াওরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লি। চক অসিদা মশীং থিবা হৈতবা হায়বসি কুনমাথোই শুবা চহী চাদা চঙশিল্লে হায়বা য়ানরক্তবা য়ারিবনি। চেল্লিবা গাড়ীদগী তাহৌরবগুম্বনি। পন্থুং য়ৌবা থেংথগদৌরিবনি, চেঙ-হৱাই খরা খুল্লগা চারিঙৈ লৈবাক মচা তাবগী লমজেল য়াওরুবদি ঙল্লোইদৌরিবনি। চাননা ঙাওরগা শোরোক তাবনা লাইয়েংবা লায়গনি।

ৱাঙাঙ হৈতবনা মপা চৈবা শকপা, কন্থি ফত্তবনা ইমুং থুগায়বা, মপঙ পঙলগনা ময়ূম মৈ চাকপা হৌনশানি। শাউনরগা ইকায়বা পীনবনা ৱারেপ লৌবা ঙমগদৌবা লৈতে। হংলাই শাবনা অনৌবা জগোয় শাবা হৈগদৌবসু লৈতে। অনৌবা থাঙ শানবা মৈ ইক্নরকপা তাবরা। য়েংখিবা তারি, করি ওইনা উরক্কদৌরি। মশা ঈংবা কাঙবুনা মৈ য়াইবা পাম্বরা, ৱারী হৈবা কাঙবুনা চিনবুংনা য়াবরা, জগোয়না কনানা শাবা তারিবা? জগোয়সু লম্বীদা শাবা, মৈসু লম্বীদা তিকপা হায়বসি মীওইবগী মনীং হনবা শাজৎ অমনি হায়বা উৎলিবনি। মালেমগী ওইনসু দেমোক্রেসিগা মীয়ামগীনি হায়রিবা কম্ম্যুনিজমগা মফম কয়াদা চায়নরক্লিবা উনরিবনি। লমদম অসিদা মীকোক মশীং থিবনা মৈনা ওইনা অমুক মৈ চুখৎকদৌরিব্রা? লম্বী লমজাওদা মৈ হৌনবা তারিব্রা, মীশি-মীনা য়াওদ্রিবমখৈ ৱা ঙাঙনবা য়াগন্দবা কাঙবুগা কনানা হেন্না লৈবাক নুংশিবনো খঙবা ৱাগদৌবা লৈতে। লাইনা লৈবাক শেম্বরা, মীনা শেম্বরা খঙলনি।

মঙদা উখিবা লাই পঙলাৎ লাৎপদি য়ারগা, মঙলান অমদা মী মশীং পঙই ইশিনবনা কমদৌবা। লমখৈ ঙাকপসি ঙমখৈ (ঙম্বা খৈবা) অমগী মখা পোল্লি। লমখৈদি খঙদনা ঙমখৈ পাকথোকপা ঙম্বা শাদুনা লৈনবনি। ইপা-ইপুগী মোংফম লাৎপা কাঙবুনিনা ইচা-ইশুগী মোংফম লীংখৎলগা লাৎনরক্লিবগুম তৌনরক্লি। মী মশীং য়াম্বা তান্নরিবসি লম পাকথোকপা তান্নবগীসু মাল্লক্লি, মচা-মশু য়াম্লগা লম পাকথোকপা ঙল্লক্কনি খনবসু মাল্লি, মীগী লম মুনগনি খনবসু য়াওরক্লিব্রা খল্লকই। খনবা তপহৌরবা ফুরুপশিং মুৎশিল্লকপা মশানা তারকপদুনি। থকপগা-চাবগা-শিবগা শমজিন্নরকপদগী মূথরকপা ফুরুপ য়াওরিবনি। মীদি লৈতনা মী মশীং য়াম্না ইশিল্লগা লৈবাক শেম্বদি ৱাগনি। চেঙ-হৱাই খরা মরাং কায়বদুনা তুং কোয়না হিংবা ঙমগদৌবদি লৈতে। চেঙ-হৱাই খরগা মশীং থিবা হৈতবদুগা নৎত্রগা পুক শেংদবা মানবদুগা ওন্নবা হায়বসি লৈবাক শেম্বা হৈবগী থৌনা ওইনা লৌরদরা? লম মমিং, মী মমিং, য়ুম্নাক ফাওবা অতোপ্পা লোন্দা থোল্লিবদা মী অতোপ্পগী (মী ওইনা লৈতবা) মমিং খরা হাপচিনবা কৈদৌবগে। লম মমিংসু মঙায় ইংলিসতা খা থোনবা, হিন্দিদা খরা থোনবা ময়াম য়াওরিবসি লাইরিক হৈবগী মাল্লুবনি। অদুগদি পংবগী, মশা য়োম্থোকখিবগী ওইরমবদুনি। মী মশীং পংহাপ্তা হাপচিল্লুবসিসু মশীং থিবা হৈতবগী ওইনা উরকপদুনি (পুকচেল শেংদবা, পুক ফত্তবদুদি মীঙোন্দা খঙহন্নীংদবা)। ইশাগী মিং ফাওবা হিন্দিদা থোনবা ঐনা ইংলিসতা থোনবা কল্লকপা হৌনব্রা, হিন্দিদা থোনবদু শেমদোক্লবা মীচং খোম্বগী মী য়াম্না তান্নরিব্রা?

অহল শাবশিংনা ফুঙ্গা ৱারী লীনরম্মীবসি মচা-মশুশিং লাইরিক তম্বীবনি। ঙসিনা পুৱারী ফাওবা লান্না ইশিল্লুরিবা অসিসু লাইরিক তম্বীবা অমনি। মচা-মশুশিংদা লান্না-লান্না তম্বীবা ঙম্বা মপা-মপু লৈবা লমনি হায়বা উৎলিবনি, অমনা অমদগী হেন্নবা লৈকায়শিং নত্তে। কোম্থোংদা লাউনরিঙৈদা মনীংদনা শম্বল শৎলগা ষণ হুরানখিবা খঙহৌবা নত্তে। মপু য়াওদনা লম পংয়েন্দা য়েন্নবা লৈবাকনি, লৈপুং অমগা লম্পাক অমগা ওন্নখিবা খঙহৌবা নত্তে। মচন নুংশিখ্রবদু মশেন ওইরিবদু নুংশিদে হায়বগী থোক হেক্তা ইন্থোকপীনি, লৈবা হৈনদে চীংদু হেক্তা থুগায়, হঙোই পাত্তু নাপী হাইবগী লুপা লাক্ষ-লাক্ষ য়েনখ্রিবনি। খুনফম-খুনফমদা য়েনবনিনা খুন অনৌবা থোক্লকপা মশানা তাবনি। মী লৈতবদি য়াদবনিনা মী য়াম্নবা ভুট শান্নবা তারকপনি। শেল হুরানবশিংনা শেল লেম্না য়েল্লুবদগী (লৈঙাক্না) খুন চেঙ্গুম শৌরকপনি। পূম্নমকসি মপা-মপুনা মচা-মশুশিংদা লান্না তম্বীবা হায়বদুনি, লান্না লমজিংলিবনি (মচা-মশুশিংগী মমাঙদা ইকায়বা পোকপা মান্দে)। হান্নদি ইপা-ইপুবু লাইনি হায়না লাৎপা চৎনরম্বনি। ইপা-ইপু লাৎপা তোক্লবনিনা (ইশুশিংনা ঐবু লাৎলরোইদবনি) শোয়বসু কিদ্রে, ইকায়দ্রে, মীনা ঙাঙনবসু কিদ্রে, তৌনীংবতা তৌরে। মপা-মপুবু লাই ওইনা লৌবা তোকখ্রিবসিসু লাই ৱায়রুবদগী তৌরিনি হায়বিরে। লাই ফাওবা ৱায়বা য়ারগা মী মমিং (লাই মশীং হেনগৎপনা ফবরা, মী মশীং হেনগৎপনা ফরবা খল্লগা) খরা ৱায়বা কৈদৌবনো খল্লকপনি। ঐনা ৱায়বদি য়ারগা মানা ৱায়বদি য়ারোই হায়বা য়ানরক্তবনি। ঐনা পংইদা ইশিনবদি য়ারগা অমনা ইশিনবদু চ্যেক তৌরুবা য়ারক্কদ্রা খঙবা নত্তে।

লানবগী য়াম্না নুংঙাইবা অমদি লৈ, শকমখৈ (অরানবা ঙাক্তনি হায়বগী) খঙনরবনিনা ইকায়নদ্রে। লিংজেলবু মান্নরে। ফম্নাই-তুনাইবা ময়ামসু য়াওবা য়ারবনিনা পুলিসনসু ফাদ্রে। পুলিসনসু ফাবা ঙমদবদগী য়ারবগুম্বনি, য়াওরবগুম্বনি। হুরানবনা হুরানবা ফাবগী ৱাদনা লমদমসিদা ঙাঙনদ্রবসু য়ারে, কান্নদ্রবা ৱা ওইরবনি। হুরানবগা হুরানবগা হুরানমিন্নবা হায়বা তাবনি।

অচৌবা হুরানবা হৈহৌদবগী হুরানবা তমখৎলকপা হায়বসিদা ৱা ঙাঙলক্লোইদবা মী খরা চংই। সোসাইটি নৌনা শেম্বদা, এন জি ও অনৌবা শেম্বদা য়াওনরম্মীবনি। ওফিস খরনা মদু য়ারুবা য়াওবদগী মী মমিং ইশিনবসি লৈঙাক্না য়াবনিনা হায়বদগী অসুম ইশিল্লকপনি। চেঙ-হৱাই, য়ূম কুপ্নবা তিন ফনা য়াম্না লেম্না ফংলবগুম্বনি। ঈশিং লৌবুক শেম্বগী শেলদুদি পুল্লপ-পুল্লপ লেম্না ফংবগুম্বনি। মী মমিং খরা হাপচিল্লগা এম এল এ খরা লেম্না হেনগৎপবু কৈদৌবগে? লাই মশীং হেনগৎপনা ফবরা, এম এল এ মশীং নেহগৎপনা ফবরা খল্লোদনা। অনীমক শেল তানবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।